ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯖꯅꯨꯋꯥꯔꯤ ꯲꯲, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯳ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯹꯲ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
য়ূমশকৈশা, জন্যুৱারী ২২, ২০২০, ইম্ফাল
৪৩শুবা চহী, ২৯২শুবা মশীং

# রাইফলমেন লৌনবগী অইবা চাংয়েং

## কাঙলোন চুম্না অইবা চাংয়েং পাঙথোকখি হায়বা য়াগদৌরিবরা

মণিপুর লৈঙাক্কী হোম দিপার্টমেন্টনা ১০শুবা অমসুং ১১শুবা ইন্দিয়া রিজর্ব বট্রালিয়নগী রাইফলমেন লৌনবগী অইবা চাংয়েং পাঙথোকপদা কাঙলোন চুমদবা থৌওং চত্থখ্রবরা হায়না মায়কৈ কয়াদগী হংনরক্লি। রিক্রুটমেন্ট বোর্দকী চ্যেরমেননা থোকখিবা সর্ক্যুলর অমগী মতুং ইন্না ফিজিকেল ইফিসিয়ন্সি টেষ্ট (পি ঈ টি)দা মায় পাক্লবা কেন্দিদেটশিংগী অইবা চাংয়েং হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমীৎতা পাঙথোকখি। অদুবু খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা রাইফলমেন লৌনবগী অইবা চাংয়েং অদু মরিং-মরাংবা ওইনা থোকখি হায়না মায়কৈ কয়াদগী ফোঙদোক্লরক্লি। সর্ক্যুলর অদুগী মতুং ইন্না পি ঈ টিদা মায় পাক্লবা মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদগী লাকপা কেন্দিদেট ২০,০০০ হেনবনা নিংথৌকাবা নুমীৎকী অয়ূক পুং ৯ তাদ্রিবৈঙদা মতম চানা খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা থুংলখ্রবসু কেন্দিদেট মশীং য়াম্মনখিবনা শীন্দোক-শীঞ্জিন্দা মতম কা হেন্না চঙখিবদগী নুমীৎয়ুংবা মতুং পুং ১ হেল্লগা হৌখি হায়রি। খন্ননিংঙাই ওইরিবা ৱাফমদি অইবা চাংয়েংদা শরুক য়াখিবা কেন্দিদেটকী মশীং য়াম্মনখিবদগী গেলরিদা ফম্বা চল্লক্তদুনা লৈমায়দা ফাওবা ফম্মখি হায়রিবসিনি। অইবা চাংয়েং পাঙথোকপা হায়বসিমক্তবু অচৌবা হোল নৎত্রগা ক্লাসরূমদা কেন্দিদেট অমগী পাউখুমচে অতোপ্পা কেন্দিদেট অমনা উবা ফংলোইদবা মওংদা লাপ্পনা ফমহল্লগা পাঙথোক্লরিবনি। অদুবু আই আর বিগী রাইফলমেন লৌনবগী মতাংদা পাঙথোকখিবা রিট্রন টেষ্টতদি কেন্দিদেটশিং কৃক-কৃক ইন্ননা ফম্মিন্নখিবা মরম্না কেন্দিদেট অমগী পাউখুমচে অতোপ্পা কেন্দিদেট অমনা ইরায় লায়না উবা ফংনখি হায়রি। মায়কৈ কয়াদগী য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরক্লিবা ৱাফমদি মার্ক ৪০গী ওইবা রিট্রন টেষ্ট অদু দিক্টেসন ওইনা পাঙথোকখি হায়বসিনি। মদুসু এগজামিনরনা লাউদ স্পীকর শীজিন্নদুনা ৱাহৈ ৮০ লাউথোরক্লগা কেন্দিদেটশিংদা বনান ইহনখিবনি। কেন্দিদেটশিং ইনক-নক্না ফম্মিন্নরগা অমনা অমদগী শিনবা য়াগদবা মওংদা পাঙথোকখিবা রিট্রন টেষ্ট অদুনা মতীক চাবা কেন্দিদেট খনগৎপা ঙমগদৌরিবরা হায়না মায়কৈ কয়াদগী হংনরক্লি। মালেমগী ওইনা চৎনরিবা থবক লৌবগী অইবা চাংয়েং পাঙথোকপদা তোঙান-তোঙানবা স্কুল নৎত্রগা কোলেজশিংদা সেন্টর পীরগা কেন্দিদেটশিং লাপ্না-লাপ্না ফমহল্লিবনি। অদুবু আই আর বিগী রাইফলমেন লৌনবগী মতাংদা পাঙথোক্লিবা রিট্রন টেষ্ট অসিদি চৎন-কাঙলোন অমত্তা ঙাকখিদবা মরম্না মমিংতগী ওইনা পাঙথোকখিবা মাল্লি হায়না মায়কৈ কয়াদগী ফোঙদোক্লরক্লি। মার্ক ৪০গী ওইবা রিট্রন টেষ্ট অদু দিক্টেসন ওইনা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা ইংলিশকী ৱাহৈ ৮০গী বনান ইহনখি হায়রি। ৱাহৈ অমা চুম্না ইবদা মার্ক তংখায় অমা ফংগদবা দিক্টেসন অদুদা এগজামিনরনা লাউদ স্পীকর শীজিন্নদুনা ৱাহৈ ৮০ লাউথোক্লগা পুল্লপ কৃক-কৃক ইন্ননা ফম্মিন্নরিবা কেন্দিদেটশিংদা ইহনখিবনি।

মমিংতগী ওইনা পাঙথোকপা মানবা রিট্রন টেষ্ট অদুদগী মতীক চাবা কেন্দিদেট খনবা ঙমগনি হায়বা থাজদে হায়না শরুক য়াখিবা কেন্দিদেট খরনা ফোঙদোক্লরকপা লৈখ্রে। মণিপুরগী ওইনা দিপার্টমেন্ট অমা নৎত্রগা অমগী থবক লৌবদা অরানবা থৌওং চত্থরল্লে হায়বগী ৱাথোক য়াম্না তোয়না থোক্লিঙৈগী চৈরক অসিদা আই আর বিগী রাইফলমেন লৌনবগী দি পি সী অসিনা অনৌবা ৱাথোক অমা অমুক থোকহল্লক্দ্রা হায়না চিংনবা ফাওহল্লে। মণিপুর পব্লিক সর্ভিস কম্মিসন (এম পি এস সী)না লৌবা মণিপুর সিভিল সর্ভিসেস কম্বাইন্দ কম্পিটিটিভ এগজামিনেসনদা অরানবা থৌওং চত্থরল্লে হায়বগীদমক অমুক হন্না এগজাম পাঙথোক্লবা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা য়াথং পীবা লৈখ্রে। হন্দক্তা ইকুই কুইদ্রিবৈঙদা মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টকী কন্সটেবল (মেল/সিভিল)দগী হেদ কন্সটেবলদা প্রমোসন পীনবগী মতাংদা পাঙথোকখিবা দি পি সীদা অরানবা সিনিয়রিটি লিষ্ট শীজিন্নখ্রবরা হায়বগী পাউদম অমা পাউচে অসিদা ফোঙখ্রবনি। দি পি সী অদুদা অরানবা সিনিয়রিটি লিষ্ট শীজিন্নখি হায়না চিংনবদগী কুমজা ২০০৯দা পাঙথোকখিবা পুলিস কন্সটেবল (মেল/সিভিল)গী রিক্রুটমেন্ট প্রোসেস পূম্নমক ইনক্বাইরি কম্মিটি শেল্লগা থিগৎহনগদবনি হায়বা ৱাফম ফাওবা লাকখি। দি পি সী অদুগীদমক কুমজা ২০১৫গী ওক্টোবর ৭তা ফোঙখিবা সিনিয়রিটি লিষ্টতা কুমজা ১৯৭৬কী ফেব্রুৱারী ১৬তা এপোইন্টমেন্ট পীখিবশিংদগী হৌরগা কুমজা ২০১৫গী জুন ১১ ফাওবদা এপোইন্টমেন্ট পীখিবা কন্সটেবল ৫৭২৭কী মিং য়াওই হায়রি। সিনিয়রিটি লিষ্ট অদুদা কন্সটেবলশিংগী মহৈগী থাক; পোকপা নুমীৎ অমদি চহী লোয়ননা থবক চঙবা নুমীৎনচিংবা ময়েক শেংনা য়াওই হায়রি। অদুবু কুমজা ২০০৯দা থবক চঙখিবা কন্সটেবলশিংগী চয়েৎনৈ হায়বা সিনিয়রিটি লিষ্টসু য়াওহনখিবা মরম্না কুমজা ২০১৮গী ওগষ্ট ২০দা ওর্দর থোক্লগা কম্মিটি অমা শেমদুনা পাঙথোকখিবা দি পি সী অদু চৎনফম থোক্লিবরা হায়বা য়াম্না চাউবা ৱাহং অমা থোরক্লে। লমদম অসিদা থবক খনবা অমসুং প্রমোসন পীবগী থৌরাংদা অরানবা থৌওং চৎথৈ হায়বগী ৱাথোক হেক-হেক থোরক্লিবসি লাইবক থীবনি হায়না লৌফম থোকই। থাগী তোলোপ চাউনা ফংগদবসু নৎতবা লৈঙাক্কী থবক মচা অমা তৌনবগীদমক কেন্দিদেটশিংনা লুপা লাখ কয়ানা খূজিং ওইরগা পীনৈ হায়নরক্লিবসি ঙসি-ঙরাংতগী ৱাফম নৎতে। শেল পীজরগা থবক তৌখিবা মীওই অমনা অচুম্বা মওংদা থম্মোয় শেংনা মীয়ামগী থৌগল তৌরকপা হায়বসিমদি ওইথোক্লরোইদবা ৱাফমনি। অমনবু ওইরবসু অমনবু ওইরবসু মথং-মথং লৈঙাক পায়রকখিবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা শেঞ্জা-থুমজা মপূং ফানা মুত্থৎকনি হায়না মচীন্দা পংলাউ লাউজরবসু থবক ওইনা পায়খৎলকপা উদ্রি হায়বা য়াই। শেঞ্জা-থুমজাগী চৎনবী মুত্থৎত্রিবমখৈদি চাউখৎপা খুন্নাই অমা ওইহনবদা ৱানা থোক্কনি। মরম অদুনা লৈঙাক্লসু মীয়াম্নসু শেঞ্জা-থুমজা মপূং ফানা মুত্থৎনবা হোৎনফম থোকই।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১১২

১। চুড়াচান্দ মহারাজনা চহী ২০ শুরদুনা ১৯০৭কী মে ৫দা বৃটিশনা লৈঙাক শিন্নরে। মীওই ৮না শাবা দরবার অমা শেল্লে।

(ক) দরবার অসিগী ভাইস-প্রসিদেন্ট অদু সাহেব অমনা ওইদবা য়াদে। অদুনা অহানবা ভাইস-প্রসিদেন্ট ওইখিবা সাহেবতু কনানো?

(খ) অনৌবা লৈঙাক অদুনা চীংদনা ভিলেজ চীফ কয়া হাপখ্রে। অদুগী মথক্তা লৈঙাক্কী পাউ, সম্মন্নচিংবা পুথোক পুশিন পিওনগী ফম কয়াসু হাপখ্রে। ফম অদু করি কৌবগে?

২। "পুল্লপ পুল্লপ মকোক চূংশিন্নৈ/উনরগা মখূৎকাসু শোক্লে/ শোরোক লমজাউদা/চরূগী মী ময়াম।" পরেংশিং অসি 'চরূগী মী' কৌবা শৈরেংদগী লৌথোকপনি। কবি অদু কনানো?

৩। "ঐদি ইচম চম্বনি/ঐগী হায়বু/হৈরাং অনীখক য়াওরক্লি/মসিদি নচাশিংগীনি।" পরেং মরি অসিনা 'লাই অমসুং লাইয়েকপা' কৌবা শৈরেং লাইরিক্তগীনি। অইবদু কনানো?

৪। "চহী কয়ামা নঙনা ঐবু/হিংনা হিংনা অশিবগুম লৈহনখি/হৌজিক্তি নঙনা অমুক ওইরে।" পরেং অহুম অসিনা 'অশাবা ভূট' কৌবা শৈরেং লাইরিক্তগীনি। অইবীদু কনানো?

৫। "য়েংজরগা পেঞ্জে থম্মোয়না/মীৎকা মীৎকা চানবা।" পরেং অনী অসিনা ঈশৈ অমগী অহৌবনি। অইবদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যুৱারী ৩০, শগোলশেল নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# অফবা খুন্নাই অমা শেম্বদা পূম্নমক্কী থৌদাং লৈ

চাইথোরকপা ৱাখল

নরেন্দ্র নিঙোম্বা

স্কুলগী ক্লাসতা ফমদুনা লাইরিক তম্লিবা মহৈরোয়শিংনা হেক পামজবসি স্কুল চৌকিদারনা কাং হায়না পেরিওদ লোইবগী বেল খিংলকপসিনি। অদুদগী অমুক হেন্না নুংঙাইবনা কাং-কাং-কাং হায়না নোট-নোটতুনা খিংলকপসিদা ওইরে, ওজা লৈগেরো লৈরোইরা ক্লাসতা ঙসাই মখৈ তুমিন-তুমিন ফমদুনা লৈরম্বা মহৈরোয়শিংনা য়া-য়া লাউনা ফুক-ফুক হৌগৎনরিবসে। ক্লাসতগী লাইরিক খাও পায়দুনা মপান্দা চেম্থোরক্লগা জেলদগী থাদোরকপমুক নুংঙাইনা তিংলি-য়াংলিরিবনি। মহৈরোয়শিংনা লাইরিক তম্বদা ছুটি থাবসিদগী হেন্না নুংঙাইবা লৈরমদৌ মান্দে। লাইরিক ফগেরা ফরোইরা মহৈরোয়গী মহৈরোয় চপ মান্নে, খরা হেন্না ফবা মহৈরোয়শিংসু অদুমঙাই, ছুটিনিবু হায়রদি লোইনা নুংঙাইনৈ। কাং-কাং হায়বা খোঞ্জেলসি তাদ্রসু ছুটি শাংনা থাবশিংগী মনুংদা হৈখানা চাবা য়ারকপা, হৈনৌ অশংবা মেৎলগা চাবা নিংথিনা য়ারকপা মতমদা দাইরিয়া তৌরকপা মতমদা থাবা অশাংবা কালেন ছুটিসিসু অমনি। কালেন ছুটি থারিসিগী মরমদি নুংশা শাবা হেনগৎলকপা, অঙৈং-অশা কা হেন্না ওন্নরকপনা মী অয়াম্বা য়াম্না নানবা মতমনি। মহৈ তম্নরিবা অঙাংশিংনা কালেন ছুটি মনুংসি য়াম্না হরাওনা শান্নজবা মতমনি। কালেন ছুটি মনুংদা ওক্তবা হৈখিবা অঙাংশিংসু লৈতবা নত্তে। ছুটি পামদবা অঙাংশিংগীদমক লৈকায়গী ক্লবকী নহা থৌপুবশিংনা লৈকায়গী অঙাংশিংগীদমক অখন্ননা কোচিং শিন্দুনা তৌরম্মী। মসি কান্নবা য়াম্না লৈরম্মী, লৈকায়গী ময়াম্বশিংবু ওজা অমা ওইনা উহনবগী ৱাখল্লোন পোকহনবতা নত্তনা মখোয়গী তুংলমচৎতা থক-খা নাইবগী হৈনবী শেমগৎপা হৌখি। মতাং অসিদগী ওইবসু য়াই ট্যুসনগী সিষ্টেম অমা হৌদোরকখিবসি। হৌজিক্তি মসি বিজিনেস অমা ওইনা চত্থরে। স্পেসল কোচিং ওইনা লৈকায় ক্লবনা তৌরম্বা অদুগী নুংগী ওইবা ৱাখল্লোন অদুমদি করিমতা য়াওদ্রে।

হৌজিক্তি লৈকায় খুদিংমক্তা ট্যুসন সেন্টর ময়াম অমা লৈরে। লম্বী চৎপফাওবা য়াদবমখৈ ট্যুসন থিনবা লাকপা শেল পায়বা মমা-মপাশিংগী গাড়ীনা লৈরক-খুল্লক অমদি লম্বী মপান্দা পরেং-পরেং খাল্লি। মদুদগী হেন্দোক্তুনা ট্যুসন হৌবা লোইবা মতমদদি অঙকপা থাজদবা ট্রাফিক জামশিং থোকহল্লি। মমা-মপাশিং অদুনা মচা ট্যুসন তৌবা ঙাইবা ওইনা মনাক নকপা হোটেলদা, কৈথেলদা, লম্বীদা শঙ্গু-শঙ্গু চৎতুনা মচাশিংগী মরমদা শারিবা ৱারীশিং লোন্না তারবদি শাথিনা নোক্লিংবা য়াওবনি। মখোয় মখোয়দদি মচাশিংগী ৱারী লীজবা কনাগুম্বনা তাবদদি য়াম নোক্লিংবা ঙাক্তনি। মসি মতম লৈতে, অয়ূক অঙনবদগী হৌরক্লবনি, নুমিদাং অথেংবফাওবনি। নুংথিল ঙাইহাক লেপ্পরা স্কুল মতমদা, অদুসু স্কুলদগী মচা লৌরুরগা ট্যুসন মফমদা পুবা মমা-মপাশিং য়াওরি। অঙাংশিংদু নিংথিজনা মেন-মান অমত্তা তাদবমখৈ মকোক ঙাওহল্লি। সেল্ফ-ষ্টদি তৌনবগী তাঞ্জা ফংদে। মমা-মপানা মচাবু ফহন্নীংবসিদি হৌনশানি। অদুবু ফেসন অমা ওইনা চত্থরক্লিবা ট্যুসন অসিনা কয়া য়াম্না অঙাংশিংদা ঙাইহাক্কী নত্তবদা তুং কোয়না কান্নবা পীবগে হায়বসিদি সাইকোলোজিকেল্লি য়েংবা অমা চংই। মচাগী মার্ক য়াম্না ফংবা ফংদবদা মমা-মপা ৱাখল নুংঙাইতদুনা চরা হেনবা য়াওনরে। মমৈদদি মচানা মার্ক য়াম্না ফংদে হায়দুনা সুইসাইদ তৌবা য়াওবফাও য়ারি। হৌজিক তৌনরিসিদি অকিবগী মশকনি। অঙাংশিংদা সোসল অমদি কলচর লোয়ননা ইনভাইরোনমেন্ট অমদি খুন্নাইগী পুন্সিরোলদা খরা খঙহনবসু মথৌ তাবনি। হয়েং অফবা য়াওরকপা অঙাংশিং অদুনা সোসিএলাইজ তৌবা ঙমদ্রবদি শাথিনা খুদোং থীবা নংনবা য়াওরিবনি। হোয়, এগজামবুদি মখোয়না নম্বর হেন্না ফংই, অদুগা দিভিজনসু ৱাংনা লাকই। অয়াম্বনা মখোয় চিনফা পুবা ঙাক্তনি। চিনফা পুবদু কাউখ্রগা অদুম লোইরে। লোইখিবদগীদি অতৈগা চপ মান্নরে। অসুম্না ক্লাস ৱাংখৎলক্লগা, প্রোফেসনেল ষ্টদিদা চংশিল্লক্লবকান্দা মমৈদা গোরো-গোরো হাইথবা য়াম্না য়াওই। লোয়ননা মকোক চাক্তুনা লাইরিক তম্বগী মহুত্তা psychiatry দা লায়েংবা ফনা য়াম্না য়াওনরে। অফবা অঙাংদি ট্যুসন তৌরসু তৌদ্রসু অদুম ফবনি। স্কুলদা ওজানা তাক্লকপা কয়া অদু মমুৎ তানা খঙলগা মশানা মরন্নাই পাজবদা পোজিসন লেপ্পা মহৈরোয় য়াওনরিবদুনি।

গভর্ণমেন্ট স্কুলদা তম্লিবা মহৈরোয়শিংগী লাইরিক তম্নীংবগী থাক কদায়দা লৈরিবগে, মমা-মপাশিংগী হিংবগী থাক, ইমুং-মনুংগী পুন্সিরোল চোক তৌবা চংই। গভর্ণমেন্ট স্কুলদা ওজা ওইরিবশিং মহৈরোয়শিংবু তাক্লীংদবা অমদি কা হেন্না ওজা ওইবগী হৈ-শিংবা লৈরমদবসু য়াই, লৈরম্বসু য়াই। অদুবু অনৌবা নহা ওইরিবা ওজাশিং এস এস এ অমদি আর এম এস এগী ওজাশিং লৌখ্রবা মতুংদা ফনা য়াম্না লাক্লবসু মকোক্তা চংউ য়াদবা মহৈরোয়শিং ওইরবদি ফনা তাক্লবসু য়ারোই। এগজামদা গভর্ণমেন্ট স্কুল মশীং য়াম্না মায় পাক্লক্তে হায়না ওজাখক্তদা তাইনবসু চুম্লোই। স্কুল অদুগী ফীভম, মহৈরোয়শিংনা তম্নীংবা বিল্ডিং, স্কুল অমগী লৈফম থোকপা মচাক-মরলশিং অমদি তম্বীবদা চংদবা য়াদ্রবা চিটিং মেটেরিএলস নিংথিনা শেমগৎপা চংই। স্কুল অমগী এটমোসফিয়র অমা শাগৎপা হায়বসি তরাইনা লৌবা য়াদে। হৌজিক্তি থায়না বোড়া পায়রগা লাইরিক তম্বা চৎনরম্বা মতম অদু নৎত্রে। মহৈরোয়শিংনা মশা নান্না য়ুনিফোর্ম নিংথিনা শেৎতুনা, তরু-তনান্না স্কুল কারকপা মথৌ তাই। তম্নবা লাইরিক ফ্রীদা পী হায়দুনসু গভর্ণমেন্টনা মহৈরোয়শিং অমদি স্কুলগীদমক য়াম্না তৌরে, লোয়না ফংফম থোকই হায়না লৌবসু চুম্লোই। স্কুল কেম্পস অদু তরূ-তনাননা থম্বা, ওজাশিংসু মতম চানা স্কুল কাবা, স্কুল অমদা লৈফম থোকপা মচাকশিং নিংথিনা ফংহনবা, ওজাশিংনসু মহৈরোয়শিংবু মচাগুম্না অমদি তুংগী ফিরেপ লেপ্পা ঙম্নবা মওংদা তাকপী-তম্বীবা মথৌ তাই। মতম লেনবগী টাইপতা স্কুল কারকপা অমদি তোলোপকী য়েংলগা থবক তৌবগী হৈনবী থাদোকপা মথৌ তাই। পূম্নমকশিং অসি ওজাশিংনা অমদি মমা-মপাশিংনসু গভর্ণমেন্ট খক্তদা ওনশিন্দুনা পংহায় হায়বা চুমদে। ওজাশিংনা তৌবা য়াবা য়াম্না লৈ। মমাঙঙৈদা স্কুলগী কেম্পস লোইনমক তরূ-তনান্না লৈরম্মী। মহৈরোয়শিংবু সোসল সার্ভিসতা পুশিন্দুনা মহৈরোয় অমগী রেসপোন্সিবিলিটি অমদি খুন্নাইগী থবক তৌবদা হৈনীংনবগী হৈনবী অমা লৈনবা হোৎনরম্মী। অদুনা স্কুলশিংসু নাল্লম্মী। ফিরোল মচু তানা শেৎপা, স্কুলদা তৌগদবা মহৈরোয় অমা ওইবগী মথৌশিং নীংথিনা তাকপী-তম্বীরম্মী। ওজাশিংনা অখন্ননা মহৈরোয়শিংগীদমক অখন্নবা ক্লাস ফাওবা তৌদুনা হেন্না খঙনবা হোৎনরম্মী। তশেংনমক ওজা অমা ওইবগী কথোকপগী হৈনবী অদু ওজাশিংদা লৈরম্মী। হৌজিক্তি ওজাশিং করম্বা ফীভমদা অমদি করম্বা ৱাখলদা লৈরিবগে হায়বদু নোংমতং স্কুল অমদা চৎপদা ইরায় লায়না উবা ফংলি।

লোইশিল্লকপদা থমজনীংলিবসি, ওজা ওইরিবশিংনা ওজা অমা ওইবগী ইথিক্স অমদি রেসপোন্সিবিলিটি অদু খরসু খঙহন্নীংই। ওজা অমা হায়বসি মীপূম খুদিংনা হেক্তা ওইবা য়াদে। ওজা ওইবগী তোপ তোপ্পা মগুন অমমম লৈনরিবনি। তাকপী তম্বীবদা চোকথদবা, তাকপীরিবমখৈ মশাদা পেঞ্জবা অমদি নুংঙাইবা ফাওরম্বা ওজাগী মগুন অদু নৌনা হৌজিক লৈহনবা য়ারিব্রা হায়বসি খন্থহন্নীংই। লোয়ননা গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগীসু স্কুলশিংদা শেমগৎফম থোকপা স্কুল অমগী তঙাইফদবা মচাক মরলশিং শুনা লৈহনবা, অৱাৎ অপা লৈহন্দনা নিংথিনা চত্থবা য়ানবা থৱায় য়াওশিল্লবদি স্কুলশিংদা মহৈরোয়সু লাক্কনি। অফবা হৈনীংবা ময়াম অদুনা গভর্ণমেন্ট স্কুলদগী অফবা মহৈরোয় কয়া অমা শোয়দনা থোরকহনবা ঙমগনি থাজে। মমা-মপাশিংনসু স্কুলদা চিলহাও থিদনা মচাশিং শেমনীংবগী চাং অদুদি ময়েং তাহন্দনা লাইরিক তমহল্লবদা তুংলমচৎকী অফবা খুন্নাই অমা শেমগৎপদা পূন্না মায় পাকমিন্নগনি থাজে। ●

# মোলবিও, গোৱাগী শিংথানীংঙাই ওইরবা টি বি দাইগ্নোষ্টিক টেষ্ট - ক্রনেট

সাইন্সকী খোঙচৎ

কুঞ্জো নাওরেম

ট্যুবরকুলোসিস, শম্না টি বি হায়না খঙনবা লায়না অসি ঙল্লিঙৈ মতমদগী লৈরক্লবনি; অদুবু ঙসি ফাওবা মরূ ফংনা মুত্থৎপদি ঙমদ্রি। ৱর্ল্ড হেলথ ওর্গনাইজেসনগী মতুংইন্না, *মাইকোবেক্টেরিয়ম ট্যুবরকুলোসিস* হায়বা বেক্টিরিয়া অসিনা নাহল্লিবা টি বিগী অনাবসিনা কুমজা ২০১৮দা মীওই মিলিয়ন ১.৫ শিহনখি। চহী অসিদা মালেমগী ওইনা মীওই মিলিয়ন ১০ টি বিনা নাহনখি; মখোয়গী মনুংদা মিলিয়ন ৫.৭না নুপানি, মিলিয়ন ৩.২না নুপী অদুগা মিলিয়ন ১.১ না অঙাংনি হায়রি। কনাগুম্বা অমা টি বিনা নারে হায়বসি ইচম চম্বা চাংয়েং অমনা হেক্তা তাকপা ঙমদে; মখল মখা কয়াগী চাংয়েংশিং তৌবগী মথৌ তাই।


টি বি হায়বা অনাবসি থবোম্বীদা নারগনা পলমোনরি টি বি অদুগা অতোপ্পা হকচাংগী ওর্গানশিংদা নারগনা এক্সট্রাপলমোনরি টি বি হায়না খঙনৈ। অদুগা টি বি লায়েংবদা মরুওইনা শীজিন্নরিবা রিফাম্পিন হায়রগসু খঙনবা রিফাম্পিসিন হায়রিবা হীদাকসিনা লায়েংবদা ফবা ঙমদবা হায়বদি রিফম্পিসিন রেসিষ্টেন্ট টি বিসু লৈরি। মখল অহুম্মক্কী টি বিবু পুং অমমুক্কী মনুংদা খঙদোকপা ঙম্বা, "ক্রনেট এম টি বি" হায়না খঙনবা দাইগ্নোষ্টিক টেষ্টকী পাম্বৈ অমা গোৱাদা বেজ তৌবা "মোলবিও দাইগ্নোষ্টিক্স" কৌবা কম্পেনি অমনা পুথোক্লে হায়না "রেপিদ কম্যুনিকেসন্স" না পাউদমলি। মখোয়গী চাংয়েংসি মোলিক্যুলর দাইগ্নোষ্টিক টেষ্ট অমনি। অনৌবা চাংয়েং অসি "ইন্দিয়ন কাউন্সিল ওফ মেদিকেল রিছার্স (আই সী এম আর)" খক্তনা মতিক চারবা চাংয়েং অমনি হায়বা নত্তনা ৱর্ল্ড হেলথ ওর্গনাইজেসননসু য়াম্না চুম্না রিপোর্ট পীবা ঙম্বা চাংয়েং অমনি হায়রি। ওর্গনাইজেসন অসিনা ফোঙদোকপগী মতুংইন্না, ক্রনেটনা হৌজিক শীজিন্নরিবা "স্প্যুটম স্মিয়র মাইক্রোস্কোপি" গী মহুৎ শিনবা য়ারগনি হায়রি। স্মিয়র মাইক্রোস্কোপিগীদি খুদোংচাদবা কয়ামুকসু লৈরিবনি। মখোয়দুগী মনুংদা পনবা য়াবদি স্প্যুটম সেম্পলগী মিলিলিটর অমদা বেক্টিরিয়া ১০,০০০দগী হন্থনা য়াওরবদি, টি বি লৈরে হায়না দাইগ্নোজ তৌবা ইঙম ঙমদে। অদুনা হেক হেক অরানবা মহয়শিং ফংই। কম্পেনি অসিনা ক্রনেট পুথোক্লবগীদমক, "ফাউন্দেসন ফোর ইন্নোভেটিভ ন্যু দাইগ্নোষ্টিক্স' তগী টেক্নিকেল অমসুং রিসোর্সশিং লৌখি। আই সী এম আরগী দিরেক্টর-জেনরেল প্রোফেসর বালারাম ভারগভনা ফোঙদোকপগী মতুংইন্না, হৌজিক শীজিন্নরিবা অথুবা মতমদা টি বি টেষ্ট তৌনবগী খূৎলায় 'এক্সপার্ট' তগী হেন্না শেল চংলোই অদুগা ইন্দিয়াগী লৈরিবা ফীভমশিংগসু হেন্না চুনৈ হায়রি। ক্রনেট অসি ইন্দিয়াখক্তা নত্তনা, ইথিওপিয়া, পেরু, পপুৱা ন্যু গুইনিয়া য়াওনা মীওই ৭৪৪দা চাং য়েংখ্রে অদুগা মায় পাকপসু ঙমখি।

স্প্যুটম মাইক্রোস্কোপিগী সেন্টিটিভিটিসি চাউরাক্লা ৫০% মুক্তনি, অদুবু ক্রনেটকীদি মসিদগী হেন্না ৱাংবা সেন্সিটিভিটি অমসুং স্পেসিফিসিটি লৈ। দব্লিয়ু ঐচ ওনা ফোঙদোকপগী মতুংইন্না,



টি বিনা নারবা মী অমগী এক্স-রেঃ অঙৌবা ত্রাইঙ্গলশিংনা মহীকশিংনা ইনফেক্ট তৌবা অদুগা অমুবা তেঙ্গৈশিংনা অহোবা মখুল অমা তাক্লি

ক্রনেট এম টি বিগী সেন্সিটিভিটিসি ৮৩% অদুগা স্পেসিফিসিটিনা ৯৯%নি হায়রি। টি বি লৈরে লৈতে খঙদোক্লবগী চাংয়েংদা টার্গেট অনী শীজিন্নবা, ক্রনেট এম টি বি প্লসকীদি সেন্সিটিভিটিসি ৮৯% ওই অদুগা স্পেসিফিসিটিনা ৯৮% ওই।




ক্রনেট এম টি বিগী চিপতা দি এন এ হাপচিনবা

ক্রনেটনা কনাগুম্বা মী অমগী সেম্পল চাং য়েংবদা পোজিটিভ ওইরবদি, মখা তানা টি বিগী বেক্টিরিয়া অদু হান্ননা রিফাম্পিসিন রেসিষ্টেন্ট ওইরবরা হায়না খঙদোকপসু ঙম্মী। অসিগুম্বা চাংয়েংদা ক্রনেট এম টি বি - আর আই এফ টেষ্ট অসিগী সেন্সিটিভিটিসি ৯৩% নি অদুগা স্পেসিফিসিটিনা ৯৫%নি। দব্লিয়ু ঐচ ওনা ফোঙদোকপগী মতুংইন্না, ক্রনেট অমসুং ক্রনেট প্লস অসি এক্সপার্ট অমসুং এক্সপার্ট অল্ট্রাগা চাংদম্নবা য়াই। অসুম্না রিফাম্পিসিন রেসিষ্টেন্স ওইবরা নৎত্রগা ওইদবরা খঙদোক্লবগী চাংয়েংদসু ক্রনেট এম টি বি - আর আই এফ অসি এক্সপার্ট অমসুং এক্সপার্ট অল্ট্রাগা চাংদম্নবা য়াই হায়রি। খূৎলায় অসি শীজিন্ননবগীদমক, থোইদোক-হেন্দোকপা লৌশিংগী মথৌ তাদবনা মসি পব্লিক অমসুং কম্যুনিতি হেলথ সেন্টরশিংদসু শীজিন্নবগী খুদোংচাবা লৈ।

এক্সপার্ট শীজিন্ননবগীদমক ইলেক্ট্রিসিটি সপ্লাই তৌবা অমসুং এয়র কন্দিসনিংগী মথৌ তাই, অদুবু ক্রনেটতি বেট্টরিনা চলাইবনি অদুগা পুথোক-পুশিন য়াই। ক্রনেটনা দি এন এ লৌথোকপদা মিনট ২৫মুক চংই। অদুগা দাইগ্নোসিস তৌনবগীদমক অতোপ্পা মিনট ৩৫গা চংই। করিগুম্বা সেম্পল অমনা টি বি পোজিটিভ ওইরবদি, রিফাম্পিসিন রেসিষ্টেন্স ওইরবরা হায়বদু খঙদোক্লবা চাংয়েংদা পুং অমমুক চংই। অদুবু এক্সপার্টনদি দাইগ্নোসিস তৌবা অমসুং রিফাম্পিসিন রেসিষ্টেন্সকী চাংয়েংদা পুং অনী চংই। এক্সপার্টকী চাংয়েংদা স্প্যুটম সেম্পলগী মিলিলিটর অমা দরকার ওইবা মতমদা, ক্রনেটতদি মিলিলিটর ০.৫ খক্তমক দরকার ওই। টি বি পোজিটিভ ওইরবশিংগী সেম্পলশিংগী ওইনা, মিলিলিটর অমগী সেম্পলদা য়াওরিবা বেক্টিরিয়াগী মশীংসু তাকপা ঙম্মী, অদুবু এক্সপার্টনদি বেক্টিরিয়া য়াওই হায়বদুখক্তমক তাকপা ঙম্মী।

ক্রনেট শীজিন্নবা মতমদা শেল চংদবগী খ্বাইদগী মরুওইবা মরম অমদি করিগুম্বা সেম্পলদুনা টি বি পোজিটিভ ওইদ্রগদি রিফাম্পিসিন রেসিষ্টেন্স ওইবরা হায়না য়েংলুবগী মথৌ তাদে, হায়বদি পোজিটিভ ওইরবশিং-খক্তদা রেসিষ্টেন্সকী চাংয়েং পাঙথোকই। অদুবু এক্সপার্টতদি পোজিটিভ ওইবরা অমসুং রিফাম্পিসিন রেসিষ্টেন্স ওইবরা হায়বগী চাংয়েং অনীমক অমুক্তদা পাঙথোকই। অদুনা ক্রনেটতা রিএজেন্ট শীজিন্নবগী চাং হন্থে; অদুনা চাংয়েং পাঙথোকপগী মমল হন্থে। ক্রনেট এম টি বি/আর আই এফ অমসুং এক্সপার্ট এম টি বি অল্ট্রা শীজিন্নদুনা টি বি দাইগ্নোসিস তৌবগী মতাংদা দব্লিয়ু ঐচ ওগী "গাইদলাইন্স দেভলপমেন্ট গ্রুপ' কী ওইবা মীফম অমা দিসেম্বর ২০১৯দা পাঙথোকখি। মীফম অদুদগী ফংলকপা মহয়শিং য়েংলগা এপ্রিল ২০২০দা ফোঙগদবা দব্লিয়ু ঐচ ও গাইদলাইন্সতা ক্রনেটপু মালেম শিনবা থুংনা খঙহন্নবগী থৌরাং তৌবা হৌখ্রে। মসিমক মোলবিও গোৱাগী চাওথোকচনীংঙাই অমনি। ●



*মাইকোবেক্টেরিয়ম ট্যুবরকুলোসিস*কী স্কেন্নিং ইলেক্ট্রোন মাইক্রোগ্রাফ